গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

ডাইরেক্তোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স

.......

প্রেস রিলিজ

**নুমিৎ নিনিগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেম্বগী ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে**

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ নুমিৎ নিনিগী ওইবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেম্বা অমদি বেঙ্কশিংগা খুৎশম্নবগী ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি লমশাংদা লৈবা লমশাং কম্যুনিটি হোলদা হৌদোকখ্রে। ওরিয়েন্টেসন প্রোগ্রাম অসি কেভিকে ইম্ফাল ৱেষ্ট, আই সি এ আর রিসর্চ কমপ্লেক্স ফোর এন ই ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তর, লম্ফেলপাট, ইম্ফাল না নবার্ড মণিপুর রিজন, নেস্নেল কো-ওপরেটিভ য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (ৱুমেন ৱিং), মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিভ বেঙ্ক লিমিটেড, ইম্ফাল গা খুৎশম্নদুনা শিনবনি। তাউথোং মল্টিপর্পজ ডিভেলপমেন্ট ফারমর্স ক্লবকী মখাদা শেমখিবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৪০ না ঙসিগী প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চিফ গেষ্টকি ৱারোল থম্নদুনা, ষ্টেট প্লান্নিং বোর্ড, মণিপুরগী ডিপুটি চ্যারমেন শ্রী এস. রাজেন সিংহনা হায়খি, বেঙ্কশিংগা খুৎশম্নদুনা চৎপা হৈবা খক্তনা তুং কোইনা মায় পাক্না চৎপা ঙমগনি। বেঙ্কনা বেঙ্ককী নিয়ম ইন্দুনা চৎপা মীওই খুদিংমক্তা মতেং পীগনি। অসিগুম্বা ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং অসি শীনবনা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ শেম্লিবা নুপীশিংদা মখোয়না হোৎনজরিবা শেল-থুম ফগৎনবা থবক থৌরমশিং অদু মায় পাক্না পায়খৎপা ঙমগনি। নুপী ওইবিশিংনা মখোয়গী পোথাবা মতমদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং শেমদুনা ইমুং মনুংদা মতেং পাংবা ঙমগনি। ইমুং অমা হায়বসি নুপা-নুপী পূন্না খুৎশম্নমা চৎমিন্নরবা মতমদতা চাওখৎপা ইমুং হায়বদু ওইবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

শ্রীমতি এন. রঞ্জনা দেবী, ডাইরেক্তর, ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিভ মেনেজমেন্ট, শ্রীমতি এন. গুইটে, ডিপুটি জেনেরেল মেনেজর, নবার্ড মণিপুর রিজন, শ্রী অঙৌতোম্বী সিংহ, ডিপুটি জেনেরেল মেনেজর, মণিপুর ষ্টেট কোওপরেটিভ বেঙ্ক অমসুং ডাক্তর এন. প্রকাস, জোইন্ট ডাইরেক্তর, আই সি এ আর রিসর্স কমপ্লেক্স ফোর এনইঐচ রিজন, মণিপুর সেন্তর না থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমদি প্রেসিডেন্টকী ফমফম লাংখি।

..............................................................................................................

BEN/APO (P) No. 388 25/04/2017